# বিজান্দোগী পেনাল্টি সেভনা মণিপুরবু নেস্নেল স্কুল গেমস ইন ফুটবোল অন্দর ১৪ বোইজগী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টদ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা লৈবা মেন ষ্টেদিয়ম, প্রাক্টিস ফিল্ড–১, প্রাক্টিস ফিল্ড–২ অমদি তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ৩২ না গ্রুপ– ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ৬৫ শুবা স্কুল গেমস ইন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অন্দর–১৪ বোইজতা দা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

স্কুল গেমস অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মণিপুর অমদি জারখন্দগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা জারখন্দবু কিক ফোম পেনাল্টি মাকতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা স্কুল গেমস অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা মণিপুরনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফঙখ্রবসু ফিন্সিং নীংথিনা পীবা ঙমখিবদনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

জারখন্দনগী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী মায়কৈদা এটেক চথুদুনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নখ্রবসু মণিপুরগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী টিমগী অশোয়বশিং অদু নীংথিনা মেন্সিদুনা শান্নখিবনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা নাকল অনীনা গোল একাউন্ট হাঙবা ঙম্মদবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌন্নবা কিক ফোম পেনাল্টি মাক কাওন্নবা তাখি।

পেনাল্টি কাওন্নবদা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ২১ বিজান্দো, জর্সি নম্বর ১০ অনারো, জর্সি নম্বর ৩ সঞ্জোয়, জর্সি নম্বর ১২ জেমসন অমদি জর্সি নম্বর ৯ ওলেননা মণিপুরগী পেনাল্টিগী গোলশিং অদু চনখি।

জারখন্দগী পেনাল্টি কাওবদা জর্সি নম্বর ৬ বিকাস, জর্সি নম্বর ১১ জিতেন্দ্র, জর্সি নম্বর ৫ সুনিল অমসুং সান্দ্বিপনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমখি অসুগা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ অবিনাস মুন্দাগী পেনাল্টিগী গোল অদু মণিপুরগী গোল কিপ্পর বিজান্দোনা নীংথিনা ঙাকথোকখিবদগী মণিপুরবু স্কুল গেমস অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

নুংথিলদা শান্নখিবা স্কুল গেমস অসিগী অহুমশুবা মফমগী মেটচতা উত্তর প্রদেশনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা উত্তর প্রদেশকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ ফারুকনা মিনট ১১, ২৮, ৩০, ৪২ দা গোল ৪, জর্সি নম্বর ৫ তাওসিপনা মিনট ২৩, ৩৮, ৪০ দা গোল ৩ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা জর্সি নম্বর ১২ রামুনা মিনট ১৫ চৎপদা চনখি।

ঙসি অয়ুক্তা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা মণিপুর অমদি উত্তর প্রদেশনা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশপু গোলু ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মণিপুরগী মায় পাকপগী গোলশিঠ অদু জর্সি নম্বর ৭ এন নিলালদোনা মিনট ১৬, ৩০ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ১২ জেমসননা মিনট ৩৬ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এস অনারোইনা মিনট ৪৬ চৎপদা চনখি।

ফুটবোল তর্ফ গ্রাউন্দা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি জারখন্দনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জারখন্দনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

জারখন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ অবিনাস মুন্দনা মিনট ২৫, ৪০, ৫৬ দা গোল ৩ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ১৩ দিপকুমারনা মিনট ১৩ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ সন্দ্বিপ সাশমাননা মিনট ৩০ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরগী জোইন্ট ডাইরেক্টর কে ঐচ প্রমোদা দেবী অমসুং স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এষ্টিটেন্ট সেক্রেটরী কানহিয়া গুরজারনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তারকখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# এম পি এস সি (বি) অমদি চিংঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোরস রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ২০ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা টিম ৩৪ না নোক আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৪ শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমদি চিংঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপাল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা মরিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)না শান্নখিবা মেটচতা মরিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)বু পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা নাকল অনীমক্লা অপীবা চক্কর লোয়বা ফাওবদা পাঞ্জল ৪/৪ মান্না লৈবদগী অহেনবা চক্কর ১ হাপ্পুনা শান্নখিবদা মরিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)বু পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মায় পাক্লবা মরিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ৩, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ অমসুং অহাপ্পা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখি।

অহানবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপকুমারনা মিনট ৬.৩৫, জর্সি নম্বর ১ ও সুরেসনা মিনট ৭.০৬, জর্সি নম্বর ৪ কে ঐচ নোংপোকঙানবনা মিনট ৫.৫৬ দা চনখি। অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপ কুমারনা মিনট ৪.২৯ দা চনখি। অদুগা অহাপ্পা চক্করদা চনখিবা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২ ঐচ অবুং খুমননা মিনট ৪.৫০ দা চনখি।

মায়থিরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)গী পাঞ্জলশিং অদুনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২/২ চনখি। অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদু জর্সি নম্বর ১ এম জব্রাননা মিনট ৩.৫০, ৬.৩৫ চৎপদা চনখি। অদুগা মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ রঞ্জিৎনা মিনট ২.৫৬ অমসুং জর্সি নম্বর ২ এস অবুংচানা মিনট ৩.৫২ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) লম্ফেল অমদি চিংঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপালনা শন্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টার ফাইনেল মেটচতা চিঙ্খেহুনবা পি সি (এ)না আই আর সি (এ) বু পাঞ্জল ৭–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপালগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমসুং অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৪ চনখি।

অনীশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৩ লৈশেম্বা তখেলম্বমনা মিনট ৩.২৯ দা চনখি। অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদুনা লৈশেম্বা তাখেলম্বমনা মিনট ০.৮৬, জর্সি নম্বর ১ এ বাসন্তনা মিনট ৬.১৪ দা চনখি। অরোয়বা মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল ৪ অদুনা লৈশেম্বা তাখেলম্বমনা মিনট ২.৫৪, ৩.১৯ অদুগা এ বাসন্তনা মিনট ৬.১৭, ৬.৪৯ দা চনখি।

মায়থিরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) লম্ফেলগী পাঞ্জল ২ অদুনা অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ এল রোহিটনা মিনট ১.৫৭ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ এস দোল্লরনা মিনট ৬.০৬ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ অমদি কে এন্দ এম এম আর এস (এ) শিংজমৈগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপালনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# টি ব্রোজেন্দ্রো অমদি ঐচ বুসন মেন’স ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা শান্নরগনি




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কম্পলেক্সতা চথরিবা ৩৯ শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী মেন’স ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টি ব্রোজেন্দ্রো অমদি হাওবম বুসনগা শান্নরগনি।

কাঙলূপ অসিগী শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ব্রোজেন্দ্রোনা ইন্দরকুমারবু ৬–০, ৬–০ দা অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা ঐচ বুসননা রিভাসকরবু ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

চহী ১২ বোইজ সিঙ্গলসকী টাইতল সাঙ্করনা লৌখ্রে। ফাইনেলদা সঙ্করনা কর্ণজিৎপু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেন’স সবলসকী ফাইনেলদা তুলেশ্বর অমদি প্রেমজিৎকী জুরানা বুসন অমদি বেক্করগী জুরাগা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা তুলেশ্বর অমদি প্রেমজিৎকী জুরানা লিনিংজিং অমদি ইন্দরকুমারগী জুরাবু ৬–৪, ৬–৪ দা অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদনা বুসন অমদি বেক্করগী জুরানা ব্রোজেন অমদি রিভাসকরগী জুরাবু ৬–৩, ৬–৭(১০–৮) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

চহী ৫৫ দবলসকী টাইতল ঐচ ইবোতোম্বী অমদি ৱাই ইবোতোম্বীগী জুরানা লৌখ্রে। ফাইনেলদা ঐচ ইবোতোম্বী অমসুং ৱাই ইবোতোম্বীগগী জুরানা এন দিলিপ অমদি কে এস ঐচ গোপিচৌগী জুরাবু ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

চহী ৪৫ দবলসকী ফাইনেলদা রাকেস অমদি ইবোতোনগী জুরানা তুলেশ্বর অমদি কাঙজম্বগী জুরাগা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা রাকেস অমদি ইবোতোনগী জুরানা জয়েন্ত অমদি এন্দ্রিলগী জুরাবু ৬–৪, ৬–০ দা অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা তুলেশ্বর অমদি কাঙজম্বগী জুরানা লক্সমিবন্তা অমদি দিরিককী জুরাবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

# থাংমৈবন্দ কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংমখাদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গোপাল দেব কাঙশঙদা চথরিবা ৫ শুবা শ্রী শ্রী গোপাল দেব চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি এল এ কে কে ও হৈঙাং কাঙখূৎ অমদি থাংমৈবন্দ কাঙখূৎনা শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎনা এল এ কে কে ও কাঙখূৎবু পাঞ্জল ২১–১২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা এল এ কে কে ও হৈঙাং কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি– এস দ্রোরেন্দ্রো, ঐচ কুমার, টি ঐচ ব্রজামনি, ঐল লালা, জাতি সিংহ, বিরেন সিংহ, টি ঐচ জয়েন্ত অমদি এন নবাধিপনি।

মায়থিরবা এল এ কে কে এ হৈঙাং কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি–সি ঐচ গৌরো, সি ঐচ ইশোক, টি ঐচ চাউবা, ৱাই মঙলেম, ৱাই নিংথৌ, দব্লিউ দেবেন, সি ঐচ মোনো, এস ইবোতোন, বিরেন অমদি সনাতোম্বানি।

হয়েং গোপাল দেব অমদি সি আর সিগা শান্নরগনি।

# মশান্না মঙাগী ত্রাইয়েল পাঙথেক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৫গী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সাইক্লিং (ত্রেক্ট) য়ু–১৪ অমসুং য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গার্লর্স, টেবল টেন্নিস য়ু–১৪ অমসুং য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গার্লস, হেন্দবোল য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গার্লস, রগবি য়ু–১৭ বোইজ অমসুং ৱেঠলিফিটিং য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গার্লস হায়রিবা মশান্না মঙা অসিগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি দি এস সি ৱাংজিংদা থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কনি।

মরম অদুনা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী ইজিলিবিটি ফোম লৌরবা য়াগনি লোয়ননা ফোম পীশিনবগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২২ দনি হায়রি।

# জুবেনাইল ক্লব তেরাগী য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১১ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখূলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩ শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ দা শরুক য়াগদবা জুবেনাইল তেরাগী য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।




য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা আর কে ফোরচুর্ন দিভলপ্পরগী মেনিজিং দাইরেক্টর আর কে রামেশ্বর, চাঙঙ্গৈগী জিলা পরিষদকী কে ঐচ রাহুল, জুবেনাইল ক্লবগী প্রসিদেন্ট এস রোবিন্দ্রো অমসুং ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এস জয়না অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

জুবেনাইল ক্লব তেরাদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি– সুরজ, হেম্বা, চাওতোন, পূন্সিবা, ঙৌবা, শন্তোস, এলেক্স. অজিৎ, অজয়, রাহুল, ময়ারসাপ, কাপিল, হোরাম, দিনাচন্দ্র, নিপো, সুরজ, সনাতোম্বা, সয়ারন, এলেন, গান্ধি অমদি নিকোনি।

জুবেনাইল ক্লব তেরাগী টিম অসি রাচেননা কোচ অদুগা এস ঐচ ইঙোচানা মেনেজর ওইনা লুচিঙগনি।

# এম য়ুগী টেন্নিস টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৮ দগী ২১ ফাওবা রাইপুরগী পি টি রবি সঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেন্নিস মেন’স টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ দা শরুক য়ান্নবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিম শেমখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াদুনা শান্নগদবা শান্নরোইশিং অদুদি– মোর্দন কোলেজগী লুচিং লুক্রাম, মণিপুর য়ুনির্সিটিগী ঐচ বেক্কর, দি এম সাইন্সকী অতাফ লৈশাংথেম, কোলেজ অসিগী শিলামঙম মরিং অমদি মণিপুর ইন্সট্রিটুয্দ ওফ টেক্নোলোজিগী রজিপ থিয়ামনি।

হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি মখা তাবা কোচিং তৌন্নবগীদমক এষ্টিটেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস এম য়ুদা থা অসিগী ১৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ


ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী হৌদুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দা খুরখূলদা ৩ শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ টিম ১১ না গ্রুপ– ২থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নবা হৌরগনি।

লীগ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা খুরখূল জিপিগী প্রধান আই সান্ত, খোঙহামপাৎ জিপিগী প্রধান ৱাই মুহিন্দ্রো, পোৎশঙম্বম জিপিগী প্রধান এম মঙ্গি সিংহ, এক্স প্রধান ই প্রেমকুরা সিংহ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ মোবিচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

# ষ্টেট জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমনা শীন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী টিম ১০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমগী গ্রাউন্দা চথরিবা ১৮ শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০দা এন ৱাই ভি এ নাওরেম, আই জি ও ওইনাম, কে ৱাই এল এস সি কাচিখুল, এস দি সি শামুরৌ, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোয়থোং, কে এল ৱাই জি সি কামোং, ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজম অমদি ৱাই পি এ হিরানমৈ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।




ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–দিগী লীগ মেটচতা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমনা আর সি সি চুড়চান্দপুরবু সেট ৩–১ (২৫–১৮, ২৫–১৭, ২০–২৫, ২৫–১০) দা মায়থিবা পীখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা গ্রুপ–বিগী লীগ মেটচতা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা এস দি আই ইশোকপু সেট ৩–০ (২৫–১৬, ২৫–১১, ২৫–২২) দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচতা কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা আই জি ও ওইনামবু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ২২–২৫, ২৫–১৪, ২৫–১২) দা মায়থিবা পীখি।

# আর এ এফ এনা য়ু ৱাই দি সিবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৫ শুবা এ ইবোতোন য়ু–১৫ বোইজ মেমোরিয়েল ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ু এফ এ বিষ্ণুপুর অমদি য়ু কে সি সি এল ওইনাম গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি এ পূন্সি, এল ভূবোন, এন ননাও অমদি আর কে শত্রজিৎনা মথংশিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা আর এফ এ থিনুংঙ্গৈনা য়ু ৱাই দি সি উপোকপীবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি। থিনুংঙ্গৈগী গোলশিং অদু প্রাসান্ত, তোম জেসেপ, বিনোদ অমদি লনচেনবানা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন ননাও,এল ভূবোন,এস পূন্সি অমদি আর কে শত্রজিৎনা মথংশিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# এস ৱাই পি এ সেকমাই অমদি এস দি সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ১২ তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম গ্রাউন্দা চথরিবা ৯ শুবা কাঙজম কর্ণজিৎ সিংহ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ১৯ শুবা মেটচতা এস ৱাই পি এ সেকমাই অমদি এস দি সি শামুরৌ গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

এস ৱাই পি এ সেকমাইগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১৭ এস মুকেসনা মিনট ১ দা চনখি অদুগা এস দি সি শামুরৌগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৮ এন রোনাল্ডোনা মিনট ৫৫ তা চনখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com